# খালিষ্টানি লুচিংবা অম্রিতপাল সিংহ পুলিসতা চঙজরকখ্রে, দিব্রুগর সেন্ত্রেল জেলদা থম্নবগীদমক পুখ্রে




PTI

**চান্দিগর, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী) :** মমাং থাগী ১৮ দগী পঞ্জাব পুলিসনা ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবা খালিষ্টানি লুচিংবা অম্রিতপাল সিংহ মশানা পঞ্জাব পুলিসতা চঙজরকখ্রে। মহাক চঙজরকখ্রবা মতুং পুং খরা লৈরগা দিব্রুগর সেন্ত্রেল জেলদা থম্নবগীদমক পুখ্রে হায়রি।

পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ভগৱন্ত মাননা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম থুগায়নবা হোৎনরকপা খুদিংমক থেংননবা পঞ্জাব গভর্নমেন্টনা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈরি। ফারবা খালিষ্টানি লুচিংবা অম্রিতপাল সিংহ লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীনবা হোৎনগনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পঞ্জাব পুলিসকী থবক থৌরমশিংদা চাওনা মতেং পাংখিবা অদুবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিগী নহাশিং অরানবা লম্বীদা লমজিংনবা হোৎনরোইদবনি। অমদি লৈবাক অসিবু তোখায় তোখায় তাহন্নবা হোৎনরোইদবনি। পঞ্জাব লৈবাক অসিগী ওইনা লৈহাউ য়াম্না লৈবা লমনি। মফম অসিদা মখল খুদিংমক্কী পাম্বীশিং হৌবা ঙম্মী অদুবু নুংশিনদবা কৌবা পাম্বী মখল অসিদি কৈদৌনুংদা হৌহল্লোই হায়রি।

অমরোমদা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখিবদা, পঞ্জাবতা লৈরিবা এ এ পি লৈঙাক্না ষ্টেট অদুদা য়ৈখায় থিনগায়বগী থৌওং অমত্তা থোকহন্দনা খালিষ্টানি লুচিংবা অম্রিতপাল সিংহ ফাবা ঙমখিবা অসি থাগৎনিঙাইনি। পঞ্জাবতা লৈরিবা এ এ পিগী লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ এর্দরগী ফিভমদা অকায়বা অমত্তা লাকহল্লোই হায়না মীয়ামদা থমখিবা ৱাফম অদু ঙসিদি থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লে। এ এ পিনা মতম পুম্বদা পঞ্জাবতা লৈরিবা মীয়ামগী সিক্যুরিটি অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরি। মখা তানসু মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌনবা হোৎনগনি অমদি মীয়ামদা পার্টি অসিনা পীখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি অম্রিতপাল সিংহ ঙরাং নুমিদাং পঞ্জাব পুলিসতা চঙজরকখিবনি। মহাক চঙজরকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা দিব্রুগর জেলদা মহাকপু থম্নবা ফিরেপ লৌখিবা অসি জেলদা হান্না লৈরম্বা মীওইশিংগা মহাক্না পাউ ফাওবনবগী খুদোংচাবা লৈরোইদবা অদুগী য়েংলগনি হায়রি।

# খোংজোম লান ইন্দিয়াগী নীংতম্বা ঙাক্নবা থেংনখিবা লান নত্তে...

*লমায় ২ গী মখা...*

ওফিসর ওইদুনা শুপ্নম লৈঙাক হৌখি। অদুবু কুমজা ১৯০৪দগী অহানবা নুপী লান, জাদোনাংগী ঈহৌ (১৯২১ মতুং), ইরাবতকী ঈহৌ (১৯৩৫ মতুং), নুপী লান অনীশুবা (১৯৩৯)। মসিগী মতুং ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিনখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৪৯দগী খূৎলায় পায়বা নিংতম ঈহৌ হিজম ইরাবোৎনা থেংনরকখি। মদুদগী মখা তানা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা লেপ্তুনা চথদুনা লান্থেংনরিবা অমসুং থৱায়না পোন্থা পীরিবা পুম্বা শুপনম লৈঙাক চত্থরিবা লোয় মপুগী মায়োক্তনি।

ঙসি মণিপুর (কংলৈপাক) নিংতমদ্রি। ইন্দিয়াগী ৱেক লোশিংগী মরুমদা ময়াং লান্মীশিংনা হাৎনিংবা কয়া হাৎখ্রে, ফানিংবা মতমদ ফাখ্রে, করাম চাওবা মখোয়গী খুবামনুংদা চনু নিঙোল কয়াগী পুন্সি নৌনা লৈখোক্তগী কেনখ্রে। ফিভম অসি মখা অদুমক চত্থরকখিগনি। ঐখোয়গী লমখৈ নোংম-নোংমগী ময়েং তারকপা লেপত্রি। লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুলগী গেম শান্নরম্বদু পেল্লক্তুদুনা ঙসিনা পীকখ্রবা লৈবাকসিদা বলকনাইজেসন তৌনবগী থবক য়াঙনা চংশিল্লক্লি। ইন্দিয়াদগী মখোয়গী অহেনবা মী পুশিল্লক্নবা ময়াং লুচিংবশিংগী মখুৎনা শেম্বা একোমোদেসন ওফ সরপ্লস পোপুলসেন্না ঙসিদি মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়ানচাশিংনা য়োৎশিনখিগদৌরে।

ঙসি অনৌবা লোয়লমগী লৈঙাকসিনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেংশিং ৱাথোক ময়ামগা শাগোন্নবা চাওখৎলবা মতমসিগী লৈঙাকলোননি। মদুদি ইদোম লেপচবা ঙমদ্রবা শেলমিৎলোন, লৈঙাকলোন্দসু মীয়ামবু থৈদোক্তুনা থম্বা, মীওৎ-মীনৈ চৎথবদা মীয়ামগী ৱাকৎ তাদ্রবা, মপাল লমগী অপাম্বদা চাওখৎপগী মীংদা শোকচিল্লবা মহৌশাগী খল কায়হনবা পুম্নমকসি ঙসিগী শেলমিৎলোনগী ৱাথোকখক থেংনরগা ওইথোক্লোই। মরমদি তৌরিবা পুম্বা অচৌবা ওলিগার্কি-মোনোপোলিশিংগী কান্নবনি। ৱাফমসি ইং কুমজা ২০০৯ গী মার্চ থাদা ফমখিবা হাভানাগী মীফমদা মালেমগী অখণ্ড অহে ১৫০০ না পীখিবা ৱাফমনি। মরম অসিনা অনৌবা লোয়লম থেংননবা অনৌবা ঈহৌনি ঙসি চত্থরিবা ইরৈবাক নিংতম্নবা মীয়াম নিংতম্নবা লাঞ্জংসে।

লমদমসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা লোয়লমগী চৈথেংসে ফংদনবা নিংতম্বা ঙাক্নবা অমসুং নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা লাননি, ১৯শুবা চহি চাগী লান অমসুং ঙসিগী নিংতম লান অনিমক খেৎনবা লৈতে। মরমদি অহানবগীসিনা অঙৌবা সাহেবকী মথক্তনি অদুগা অকোনবগীসিনা অমুবা ময়াং সাহেবকী মথক্তনি।

খোংজোম লাননা ঐখোয়দা পীরিবা পাউজেলদি পোক্লবদি ঐখোয় মীওইপোক নোংমা নত্রগা নোংমদি শিখিগনি। হিংলিবা ঐখোয়না কনাগীসু মীখা পোন্দনা নিংতম্না হিংবা ঙম্নবা লাঞ্জং কয়া লেপ্পা লৈতনা চংশিনবা তাই। লাঞ্জং অসিগী পান্দম ফংনবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা লাঞ্জং চংশিল্লবতদা মায় পাকপা পুরকপা ঙমগনি। মচোই মচোই তান্নবদগী চহি ৭ খুন্তাকখি। অদুগা অমুকসু লিংজেল মান্নদবা থৌওং অসিনা খোংজোম লান থোকখি। অসিগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোক্তনবা ঐখোয় মশেলগী ওইবা অমত্তা ওইবা লিংজেল শাগৎপা তাই। ঐখোয় মশেল মোৎ মান্নদবদগী ইন্দিয়ানা মণিপুর (কংলৈপাক) লায়না লৌশিনখি। ওইরিবা ফিভম অসিদা অহোংবা পুরকপা ঙমদবা অদুনা ঐখোয় হৌজিকসু মীনাই নাইথাংগী পুন্সি অমদা হিংলি। মসিদগী ঐখোয় নান্থোক্তুনা থোং মান্নবা অমত্তা ওইনা পুকচেল খোইজেল তিন্নবা চৎমিন্নবা চংলি।

খোংজোম লানফমদা ঈরৈবাক ইরমদমগীদমক্তা অথৌবা কয়া থৱায় থাখ্রে। মখোয়না হিংনবগীদমক য়েক্নবগী মখোংদা কোক নোন্দুনা চংজখিদে। অদুবু লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অদুগী থৱায় মীরেলশিংনা ঐখোয়দা ঙসি হায়রি "এপ্রিল ২৩, খোংজোম নুমিৎ লাক্লেনখোয় পুনশিন্নৌ, অপুনবনা পাঙ্গলনি। পুকচেল মান্নদবদগী থোকখিবা মায়থিবগী ৱারীশিং ঐখোয় মতম পুম্নমক্তা নিংশিংসি। খোংজোম ডেনা লাকপদা অপুনবগী ৱাশক লৌরসি"।

ঐখোয়গী ঙসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা ইপা-ইপুশিংনা চৎলম্বা লম্বী মতম চুপ্পদা ঐখোয়না কাওরোইদবনি। তেল্লবা মীৎকুপ অমত্তং কাইথোক্তুনা মখোয়গী থৌনা লিংজেল অমদি মখোয়গী কত্থোকপা ঙম্বা অদুবু শৈথাবীয়ু হায়না কোরকোমনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা অপিল তৌরিক্লি।

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মোদি ভর্সস রাহুল অমসুং কেজ্রিৱাল

গুজরাতকী 'সুরত' সহরগী কোর্ট অমদা ২০১৯দা 'পুর্নেস মোদি' কৌবা বি জে পিগী এম এল এ অমনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগা মরী লৈননা, চীফ জ্যুদিসল মেজিষ্ট্রেৎ 'ঐচ ঐচ বর্মা'না মার্চ ২৩, ২০২৩দা ৱায়েন অমা লাউথোকখি। পুর্নেস মোদি'না থাঙ্গৎখিবা কেস অদুদি- কোংগ্রেস-লুচিংবা শ্রীরাহুল গান্ধীনা, কর্নাতাকাগী 'কোলার'দা মীখলগা মরী লৈননা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা... 'নিরব মোদি, ললিত মোদি নৎত্রগা নরেন্দ্র মোদি... হুরানবা ময়াম অসিগী মমিং মোদিঙাক্তা ওইরিবসি করিগীনো... হায়রুবদুগী মায়োক্তা 'মোদি' হায়বা শাগৈসিবু মিংচৎ থীহল্লি হায়দুনা তৌরকপা 'দিফেমেসন কেস'নি। কেস অসিগা মরী লৈননা 'রাহুল গান্ধী'বু মরাল লৈরে হায়দুনা 'চহী অনী কৈশুমশঙদা থম্নবা' য়াথং পীখি। য়াথংদুগী মায়োক্তা ৱাকৎনীংলবসু ৱাকৎনবা থা অমগী মতম পীখি। অপীবা মতম এপ্রিল ২৩দা লোইগনি। কোর্টকী চৈরাক ককথৎপীনবা (ষ্টে তৌনবা) রাহুল গান্ধীগী হায়জ-ৱারোল অদুসু কোর্ট'না চৎহনখিদ্রে। অতোপ্পা ওর্দর অমা থোক্ত্রিফাও' হান্নগী ওর্দরদু সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লগা রাহুলবু বেল'দা থাদোকপগী য়াথংদুদি চৎনখিগনি। অদুবু, অপীবা মতমদুগী মনুংদা, হেন্না ৱাংবা ৱায়েনশঙ (হায় কোর্ট)দা ৱাকৎতুনা 'রিলিফ' লৌদ্রবদি মহাক কৈশুমশঙদা লৈবা তাবনি। ৱায়েন'সিগী মতুংইন্না রাহুল-গান্ধী, হৌজিকসু, কেরেলাগী 'ৱয়ানদ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি'গী এম পি ওইরম্বদুসু তোকখ্রবনি। ৱাথোকসিদা নুংঙাইরিবদি- পুনশিন্নবা য়াদনা মচোই মচোই তারবা ওপ্পোজিসন পার্টি ময়াম পুনশিন্নদুনা, 'থৌওং অসি মথোয় কাবা বি জে পি লৈঙাক্না জ্যুদিসিয়েরিবু খুবামনুংদা পায়শিনখিবগী ময়েক লাবা খুদম্নি' হায়বা খোল্লাউ অমা লাউরক্তুনা 'য়ুনাইটেদ প্লেটফোর্ম' অমা শাগৎলকপা মানবগী মওং অমা উরকপ'সিনি।

ইস্যু অসি ঐহাক্না, ঐগী ৱারেঙ অসিগী হীরম অমা ওইনা লৌখৎচরুবা- বি জে পি নৎত্রগা কোংগ্রেস পার্টি-রুল্লিং নৎত্রগা ওপ্পোজিসন, অনীগী মরক্তা অমগী মীচঙ নৎত্রগা মায়োক্তা লেপ্পগা ইগে খনবা নৎচদে। সোসল মীদিয়া অমদি টেলিভিজন চেন্নেলশিংগী খুত্থাংদা ফংবা, পোলিটিক্সকা মরী লৈনবা পাউ-ঐহাক য়ারিবমখৈ তাদনবা/পাদনবা/য়েংদনবা হোৎনরক্লিবা কুইরক্লে। মরম? অতৈগী নত্তে। ইন্দিয়াদা, মরুওইনা মণিপুরদা থোক্লিবা পোলিটিক্স'কা মরী লৈনবা থৌদোক অমদি ৱাথোকশিং, পোলিটিসিয়নশিংগী মরমচৎ, চীনগা খুৎকা মান্নদবা, করপসন মুখৎকনিদি হায়রগা হেন্না হেন্না হেনগৎলকপা, মাঙজিন থাবা ইকোনোমি ওইহনবগী মহুত্তা মনিং হল্লবা ইকোনোমি অমা ওইহল্লকপা... মীচম মীয়াম পুম্নমক্না শেন্দোলনা খ্বাঙ কোয়রগা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইবশিংনা ক্রোরপতি ওইরকপা... পুম্নমকসি মীৎমাঙসিদা তরং তরং উরব'ঙাক্তা ওইবনা- পোলিটিসিয়নশিংবু ঐখোয়গী লুচিংবা ওইনা উবই মহুৎ, হঙ্গৈইনিংঙাই ওইরবা মী ওইনা উরকখি। মখোয়গী মনাক নক্লীংখিদে। মখোয়গী ৱাহৈ খূদিংমক, তাৎ-পাৎকী ৱাহৈ ওইনা তারকখি। অদুনা ইদোম লেপ্লুবনি- মখোয়গী ৱা য়ারিবমখৈ তাররোই।

অদুবু, রাহুল গান্ধী, নরেন্দ্র মোদি অমদি অরবিন্দ কেজ্রিৱালগুম্বা লীদরশিংগী থাক্তা ঙাঙনরকপা ৱাদুদি ইচম চম্বা 'পোলিটিকেল গেসিপ' অমগুম্না খন্দোকফদে, চোইঙাং ওইনা লৌফদে। য়েস ! মখোয় পোলিটিসিয়ন ঙাক্তনি। ইলেক্সন মতম লাকপদা মাগী মাগী পার্টি'না মীহুৎ হেন্না কানবা, অমনা অমগী অশোনবা/অশোয়বা থৌরাং/থৌশিল/থবক পুথোক্লদুনা লাউনবা, মীয়াম্লুসু খঙহনবা- দেমোক্রেসিগী মচৎনি, তৌজৌ, তৌনৈ পুম্নমক্না। অদুবু, পোলিটিকেল ওপ্পোনেন্ট অমগী শাগৈ-জাৎ পক্তুনা চৈবা-ঙাঙবদি তৌনদে, ৱাখল থেনবা' মতৌনি। নরেন্দ্র মোদি কৌবা মাগী পোলিটিকল ওপ্পোনেন্ট অদু 'হুরানবনি' হায়না চার্জ তৌবদা 'মোদি' কৌবা শাগৈদুগী মী পূম্নমকপুসু কোনশিল্লে, শাগৈদুগী মী পূম্নমক হুরানবনি হায়বগা পাঙ্খক ওইরে- পুর্নেস মোদিগী ৱাকৎনি। চার্জ অসি, দিষ্ট্রিক্ট-লেভেল-কোংগ্রেস-ৱার্কর অমগী মচীন্দগী থোকখিবা ওইরম্মু- সুরতকী ৱায়েনশঙদু করিসু লুম্না লৌরল্লোই। ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরল্লবা, ইলেক্সন'দুদা মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেম্বা তারল্লবা, প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমগদবা লীদর অমগী মচীন্দগী থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনি। ৱায়েনদুগী মায়োক্তা থাবা ৱাকত্তুদা 'মহাক্না হায়খিবা ৱাহৈশিংদু অরানবা অমত্তা য়াওদে'দি হায়রগা, মহাক্কী উকিলনদি সবমিট তৌই কোর্ট'তুদা... 'মোদি কৌবা কম্যুনিটি অমা ইন্দিয়াদা লৈবা হায়বসি গভর্ণমেন্টনা শকখঙলবা চে (দোক্যুমেন্ট) অমত্তা সরকারগী রেকোর্দতা লৈতে... মরম অদুনা, মীওই কাঙলুপ অমগী মিংচৎ থীহল্লে হায়বসি য়ুস্ফম য়াওদবনি'...। কেস অসিগী পিটিস্নরশিংগী মীচঙ লেপ্পা কাঙবুনা হংই... 'শাগৈ অমগী টাইটল মশক তাকপা সরকারগী দোক্যুমেন্ট লৈতে হায়দুনা শাগৈদুবু পন-পনদুনা ঙাঙনীংবা ঙাঙবা/চৈনীংবা চৈবা লো'না অয়াবা পীবরা'? ইন্দিয়ন জ্যুদিসিয়েরি-অঙকপনি ! জজমেন্টসিগী মায়োক্তা হায় কোর্ট, হায় কোর্টকী মথক্তা সুপ্রীম কোর্ট'তা ৱাকৎপা য়াই। ওইহনবা য়াই লোইনাইদ্রবা ত্রায়েল অমা। অদুবু, লুরিবদি কেসসিগী জজমেন্ট, হান্না লাউথোকখ্রবনা, রিভিউ পিটিসন ত্রাইয়েল, কান্নবা লৈতে শাংনা মখা চত্থরুবগী। ২০২৪দা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখল'দা রাহুল গান্ধী মীরেপ ওইনা মীখল থেংনবা য়াররোই। মরম অসিনা, এক্সপর্টশিংগী সজেসন'নি- এপোলোজি তৌরগা 'ওর্দর'দু ষ্টে তৌহনবনা খ্বাইদই শিংবা থৌশিল অমা ওইগনি।

'মোদি-টাইটল-দিফেমেসন-কেস' অসি নত্তবা নরেন্দ্র মোদি মিংচেন্নবা অতোপ্পা ৱাথোক অমা লৈ। মদুদি, ইন্দিয়ন রিভিন্যু সর্ভিস'তা ওফিসর ওইরম্বা, লাইরিক হৈবা পোলিটিসিয়ন, দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর 'অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল'না, মহাক্কী 'কেবিনেট কল্লিগ' অনী, ৱাথোক অনীদা চেন্নরম্বই মরালদা কৈশুমশঙদা লৈখিবা (সত্যেন্দ্র জৈন অমসুং মনিস সিসোদিয়া) থৌদোক্তুগী মতুংদা 'প্রাইম মিনিষ্টর'নি হায়বা সিরিয়স-চার্জ অমা তৌরকপা- মালেম শীন্না ভাইরেল ওইরবা ভিদিও ফুট্রেজ, উদবা কনা লৈরমগদগে? হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ'না প্রেস কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা 'গুজরাত য়ুনিভর্সিটি' অমসুং 'দেল্লী য়ুনিভর্সিটি'দগী লৌবা নরেন্দ্র মোদিগী দিগ্রী উৎথোকখিবগী থৌদোক্তুসু কেজ্রিৱাল মশানা ভিদিওদুদা পল্লি। অদুবু, সর্টিফিকেটশিংদু অয়েংবশিংদা ময়েক শেংনা, নকশীন্না (ক্লোজ-অপ'তা) উত্তে হায়বগীদমক সর্টিফিকেটশিংদু শেমজিনবনি হায়বসিনা ভিদিওদুগী পর্পজনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর-লাইরিক হৈতবা, অরুবা ৱারেপ লৌবা ঙমদবা, মীয়ামদা মীনম্বা, মতিক চাদবা লুচিংবা অমনি হায়বা পাউজেলসি কেজ্রিৱালনা মীপূম তিংনা খঙহন্নীংই।

সিরিয়স ওইখ্রবা চার্জ অসিগী পাউখুম ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস (পি এম ও)দগী চেরোল অমত্তা থোকখিবগী পাউদি তাখিদে। অয়াম্বনা খন্নখি- ৱাফমসিদা অচুম্বা খরা য়াওবনা মরম ওইরগা শেংদোরক্তবা ওইরম্নি। অদুবু, ৱারেং অসি ইরগে খল্লকপা মীকুপ্তুদি তারক্লে- গুজরাত য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটি'না য়ুনিভর্সিটি অসিগী মিংচৎ থীহনবগীদমক শেংদোক-ৱারোল পীননবা অহম্মদবাদকী 'মেত্রোপোলিতান কোর্ট' অমনা 'অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল' অমসুং আম আদমি পার্টিগী রাজ্য-সভা-এম-পি 'সঞ্জয় সিংহ' অনীবু সম্মোন তৌখরে। য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটি'না হায়- মোদিগী দিগ্রীগা মরী লৈনবা চে-চাং পূম্নমক য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইট'তা ২০১৭তগী থাগৎতুনা লৈখ্রবনি, য়েংনীংবনা য়েংবা য়ারবা !

কুম্মৈ নুংঙাইরক্কদৌরে, য়েংমিন্নসি।

